**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 06-04-2025)**

**এরেষ্ট (এল)ঃ** থৌবাল এস.পিগী মীৎয়েং মখাদা জিলা অসিগী পুলিস কম্মাণ্ডোশিংনা হৈরোক পার্ট থ্রি উয়োগ চিংদা লৈরম্বা কে.সি.পি. (পি.ডব্লিয়ু.জি) নি হায়না চিংনবশিংগী লোৎফম অমা থুগায়খ্রে, খুৎশু খুৎলায় কয়ামরুম ফাগৎলে।

পুলিসকী পাউনা হায়-অককবা পাউ অমা ফংবদগী ঙসি অয়ুক পুং মরি অদুৱাইদা মফম অদুদা চংশিল্লুবদা কে.সি.পি. (পি.ডব্লিয়ু.জি) গী মীওইশিংনা নোংমৈ কাপশিল্লকখি। মদুদা, পুলিসকী মায়কৈদগীসু খুৎ হন্দুনা পুং অনিরোম চুপা নোংমৈ কাপরবা মতুংদা মখোয়না লোৎতুনা লৈরম্বা মফম অমা থেংনখি। মফম অদুদা মখা তানা থিবা হুন্বগী থবক চথবদা এস.এল.আর. অমা, টুয়েল্ব বোর সিঙ্গল বেরেল নোংমৈ অমা, এল.এম.জিগী মেগজিন অমা, টিয়ার স্মোগ সেল ২০, ষ্টুন সেল অহুম, কেমোফ্লেগ খোঙ্গ্রাউ অনি, বুল্লেট প্রুভ জেকেট অহুম, কেমোফ্লেগকী ফুরিৎ ১৪, জঙ্গল বুথ অনি, নোংমৈ মরু খরা, টাটা সফারি অমা, নম্বর থাদবা জিপসি অনি অমসুং অতৈ পোৎলম কয়ামরুম য়াওরি।

**ক্ষেত্রিগাউ (এল)ঃ** ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী ক্ষেত্রগাউ য়ুমখাইবম লৈকাইদা ঙরাং নুমিদাং অথেংবদা থোকখিবা নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক্কা মরী লৈননা পোরোম্পাৎ পুলিস ষ্টেসননা সু মোটু কেস অমা লৌখৎলে।

পুলিসকী পাউনা হায়-ঙরাং নুমিদাং পুং ৯ মিনিট ৪৫ রোম তারকপা অদুৱাইদা ক্ষেত্রিগ্রাউ কেন্দ্রগী এম.এল.এ. অমদি মহাক্কী ইস্কোর্ট পার্টিদা মীওই খরনা খঙহৌদনা নুঙনা থোমজিল্লকপা অমদি নোংমৈ রাউন্দ কয়া কাপশিল্লকখিবা থৌদোক অদুগা মরী লৈননা কেস অসি লৌখৎপনি। চেরোল অসিনা মখা তানা হায়-এম.এল.এ. অসিগী ইমুং মনুংগী মীওই খরা য়াওনা

মফম অদুদা লৈবা মহাক্কী মচননুপীগী য়ুমদা চাক চারুরগা থোরকপদা থৌদোক অদু অদু থোকখিবনি। থৌদোক অদু লাকশিন্নবা হোৎনবদা মহাক্কী ইস্কোর্ট পার্টিনসু নোংমৈ রাউন্দ খরা কাপখি। থৌদোক অদুদা এম.এল.এগী ইস্কোর্ট য়াওনা মীওই খরা অশোক অপন য়াওবদগী জেনিমস হোস্পিতালদা পুখৎতুনা লায়কন্নখি অমদি গাড়ি খরসু অকায় অতোয় থোকখি।

**ৱাকফ (এল)ঃ** সংসদতা হন্দক্তা পাস তৌখিবা ৱাকফ (এমেন্দমেন্ট) বিল-২০২৫ বু য়ানিংদবা ফোংদোক্তুনা পাঙল টেম মনিপুরনা শিনদুনা মীয়ামগী খোঙচৎ অমা ঙসি ইরোং চেসাবদা চৎখ্রে।

খোঙচৎ অদুদা শরুক য়াখিবশিংনা নৌনা শেমদোকখ্রবা বিল অসি চৎনবা য়ারোই, বিল অসি হন্দোক্কদবনি অমসুং মশিং য়াজমদবা কাংলুপশিংবু হন্থনা য়েংবা য়ারোই হায়বনচিংবা খোল্লাউ কয়া লাউখি।

ককচিং জিলাগী সোরাদসু ইস্লামিক ষ্টুদেন্টস এসোসিয়েসন, আসু অমদি এম.পি.সি.এমনা পুন্না শিনদুনা বিল অসিগী মায়োক্তা য়ানিংদবগী খোঙচৎ চৎখ্রে।

ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী ক্ষেত্রিগাউদা লৈবা অবা গ্রাউন্দদসু বিল অসিগী মায়োক্তা ওল ক্ষেত্রিগাউ অপুনবা মুস্লিম প্রজা অমদি এ.এম.এম. পি.এ.সি.ওনা শিনদুনা ৱাকৎ মীফম অমা পাঙথোকখ্রে।

**জিরি (এল)ঃ** নেসনেল হায়ৱে ৩৭, ইম্ফাল-জিরিবাম লম্বীগী কোটলেন্দ অমদি কৈথেলমনাবী অনিগী মরক্তা ঙসি জিরিবামদগী ক্বা অমদি ক্বা মনা পুদুনা লাকখিবা সুমো টাটা অনি মশক খঙদবশিংনা লোকখাদা ইন্থদুনা অমাং অতা থোকহনখ্রে।

থৌদোক অদুবু জিরিবাম বেটল নট এন্দ লিফ গ্রোৱরস মাকের্টিং ফোরমনা অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোংদোকখ্রে। জিরিবামগী বাবুপারাদা লৈবা ফোরম

অসিগী ওফিসতা পাউমীশিংগা উন্নবা অমদা লুপ অসিগী সেক্রেটরি-সেঞ্জম সাইনিক কুমারনা হায়-লাইনিং লাইশোলগী থৌরমশিংদা তঙাইফদনা চংদবা য়াদবা পোৎচং অমা ওইনা শিজিন্নরিবা ক্বা মরু অমদি মনা প্বা গাড়িশিং অমাং অতা থোকহনবগী থৌওং অসি য়ামা চুমদবা থৌওংনি। কনাগুম্বা ফুরুপ কাংলুপ অমত্তনা অসিগুম্বা থৌওংশিং মখা তানা থোকহন্দনবা লুপ অসিনা আপিল তৌরি।

**কন্দেম (এল)ঃ** কোনসা খুল নাগা ভিলেজতা হৌখিবা থা অসিগী মঙাদা য়ুম শাদুনা লৈজবা মীওইশিংদা অশোক অপন অমদি অকায় অতোয় নংহল্লম্বগী থৌওংবু লিয়াংমাই নাগা কতিমাই রুংদি মনিপুরনা য়ামা কন্না য়ানিংদবা ফোংদোরক্লি।

থৌদোক অসিগী মতাংদা মরি লৈনবা ওথোরিতিনা অচুম্বা ৱায়েল ফংহনবীনবা লুপ অসিনা থাদোরকপা চেরোল অমদা হায়রি।

**নোং (এল)ঃ** মনিপুরগী মফম কয়াদা ঙরাং অহিং অখাক অরাউ য়াওনা নোং চুবা অমসুং নুংশিৎ কন্না শিৎপদা য়ুম কৈ কয়া হুমদোকখ্রে, উ-ৱা কয়া তেকখ্রে।

ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং ইম্ফাল ৱেষ্টকী মফম কয়াদা অকনবা নুংশিৎ য়াওবা নোং অদুনা য়ুম কৈ কয়া হুমদোকখি। য়ুমথক্তা কুপ্পা জিঙ্খা হুমদোকখিবা অমদি ইঙ্খোলদা হৌবা মনা-মশিং, মহৈ-মরোং কয়া অমা অতা থোকহনখি।

নোনে জিলাদসু নোং য়াওবা অকনবা নুংশিৎ অদুনা য়ুমথক কয়া হুমদোকখি।মরক অসিদা, ইন্দিয়া মেত্রোরোলোজিকেল দিপার্টমেন্টনা ইম্ফাল সেন্টরনা থোকপা চেরোল অমদা হায়-ঙসি অমসুং হয়েং মনিপুরগী মফম খরদা অখাক অরাও য়াওনা, পুংদা কিলোমিটর ৩০ দগী ৪০ ফাওবা য়াংবা নুংশিৎকা লোয়ননা নোং চুরবা য়াই। হায়রিবা জিলাশিং অদুদি-ইম্ফাল ইষ্ট, ইম্ফাল ৱেষ্ট, কাংপোকপী, সেনাপতি, তমেংলোং, জিরিবাম, নোনে, চান্দেল, চুরাচান্দপুর

অমসুং  ফেরজোল জিলাশিংনি।

**থৌবাল (এল)ঃ** কুমজা ১৮৯১ গী এঙ্গলো মনিপুর লালদা থৌবাল অথোকফমগী লানফমদা মমা লৈবাক্কীদমক থৱায় কৎখ্রবা মশক খঙহৌবা অমসুং খঙহৌদ্রবা অথৌবশিংগী মফমদা হৈকৎ লৈকৎ তমদুনা ইকায় খুমবা উৎপগী থৌরম অমা ঙসি থৌবাল অথোকফমদা পাঙথোকখ্রে।

জষ্টিস কমিতি ওন এঙ্গলো মনিপুরি ৱার-১৮৯১ মারটিয়ার্স এন্দ ফ্রিদম ফাইটরস ওফ কংলৈপাক-মনিপুর অমসুং নিংথেমচা নীংশিং লুপ অনিনা পুন্না শিনদুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা শরুক য়ারদুনা এম.এল.এ. সুরজাকুমার ওক্রমনা হায়-অনৌবা এদুকেসন পোলিসি লাকপগা ইরোইননা ঐখোয়গী ইরমদমগী পুৱারীগা মরী লৈনবা ৱারীশিং সেলেবসতা হাপ্পুনা হৌরক্লিবা মীরোলদা নীংথিনা খঙহন্নবা হোৎনবা মতম ওইরে।  থৌবাল অথোকপমগী লানফমদা শরুক য়াখিবা কাংলুপ খুদিংমক্কী মীওইশিং নীংথিনা থিদোক্তুনা অপুনবগী ওইবা মওংদা হৈকৎ লৈকৎ তৌফম অমা শেমগৎপা তঙাইফদে।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা জষ্টিস কমিতিগী প্রসিদেন্ট-জয়চন্দ্র কোন্থৌজমনা হায়-থৌবাল অথোকপমগী লানফমদা য়াইস্কুলাকপা অমদি মচা ইবুংঙো সেঙ্গোইসনা য়াওনা অথৌবা কয়ানা মমা লৈবাক্কীদমক বৃটিশকা লান্থেংনবদা থৱায়না পোন্থা পীখিবা অদু ঙসিগী মীরোলনা অৱাংবা থাক্তা ইকায় খুমরি। মহাক ।হায়-

**বিজেপি (এল) ঃ** ভারতিয়া জনতা পার্তি লিংখৎখিবা চহি ৪৫ শুরকপগী পালন থৌরম ঙসি মফম কয়াদা পাঙথোকখ্রে। নিউ দিল্লিদা লৈবা বি.জে.পিগী হেদক্বাটরসতা বি.জে.পিগী নেসনেল প্রসিদেন্ট অমসুং কেন্দ্রগী মন্ত্রি জে.পি. নদ্দানা দলগী ফিরাল চিংখৎখি। থৌরম অসিগা মরী লৈননা শ্রী নদ্দানা দলগী বুথ ৱার্করশিংগসু ৱারী শান্নখি অমদি লৈবাক্কী কোনুংদা লৈবা দলগী শকাইরবা

কারিয়াকর্তাশিংগী য়ুমদসু চৎখি।

মণিপুরদসু বি.জে.পি মণিপুর প্রদেশনা শিনদুনা দল অসিগী ফাউন্দেসন ডে ওর্গনাইজিং কমিতিনা শিন্দুনা ইম্ফালগী নিত্যাইপাৎ চুথেক্তা লৈবা থম্বাল শঙলেনদা নুমিৎ অসিগী পালন থৌরম পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা দলগী লুচিংবা কয়া শরুক য়াখি।

বি.জে.পি থাংমৈবন্দ মন্দলনসু নুমিৎ অসিগী পালন থৌরম ঙসি অয়ুক ইম্ফালগী খুয়াথোং পুখ্রি অচৌবা মনাক্তা লৈবা কম্ম্যুনিতি হোলদা পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা ৰা ঙাংবদা বি.জে.পি মণিপুর প্রদেশকী প্রসিদেন্ট এ.সরদা দেবীনা হায়-

**মীতৈ (এল)ঃ** মীতৈ সোসাইতি-চুরাচান্দপুরগী ৬৮ শুবা কুমওন থৌরম ঙসি বিষ্ণুপুর জিলাগী ক্বাক্তা সেরিকলচর রিলিফ কেম্পতা পাঙথোকখ্রে।

কুমওন থৌরম অসিগা মরী লৈননা মমাং থাদা পাঙথোকখিবা রাচনা ইবা চাংদমবদা মকোক মথং তাখ্রবশিংদা মনা-মথুমশিংসু য়েন্থোকখি। থৌরম অদুদা মীতৈ কাউন্সিল-মোরে, সলাই কনবা লুপ অমসুং ইমা লৈমরেল অপুনবা লুপ-চুরাচান্দপুরগী লুচিংবা কয়া শরুক য়াখি।

**লাই (এল)ঃ** শজিবু নোংমা পানবা চৈরাউবা মতুংগী নোংমাইজিং নুমিৎতা ঙসি সলাইরেল শিদবা মপু-কোংবা মরুদা লমদম অসিগী মফম কয়াদগী লাকপা মীয়ামনা ইরাৎ থৌনি থৌরম পাঙথোকখ্রে।

লাই খুরুম্ফম অদু ২৮ শুবা অসাম রাইফলস অমদি সি.আর.পি.এফকী পার্সোনেলশিংনা চেকশিন্না ঙাক শেনদুনা লাই খুরুম্বগী থৌরম পাঙথোকখি।

**এআর (এল)ঃ** হোপ হোল দিফেন্স একাডমী চুরাচান্দপুরগা খুৎশমদুনা অসাম রাইফলসনা ঙসি চুরচান্দপুর জিলাগী রের্বন কলেজতা এগাবির স্কিমগী মতাংদা

মহৈরোইশিংদা তাকপী তম্বীবগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে।

অসাম রাইফলসনা থাদোরকপা চেরোল অমদা হায়-থৌরম অসি মহৈরোইশিংদা ভারত লান্মীদা চংনিংবগী মতাংদা খঙহন্নবগী পান্দমদা পাঙথোকপনি। মদুদা, জিলা অসিগী ১৪ শুবা মনিপুর এন.সি.সি. বটালিয়ন, রের্বন কলেজ অমদি দোনবোস্কো কলেজগী মহৈরোইশিংনা শরুক য়াখি।

**পিএম** ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি-হৌখিবা চহি ১০ রোম অসিদা লৈঙাকা লৈবাক অসিগী কাচিন-কোইয়া শিনবা থুংনা মচাক মথুমশিং শেমগৎ শাগৎপগী থবক চত্থদুনা লাক্লি।

তামিল নাদুগী রামেশ্বরমদা ঙসি পমবল ভারটিকেল লিফ সি ব্রিজ শঙ্গাখি অমসুং লুপা কোতি লিশিং ৮,৩০০ চংনা পায়খৎকদবা রেল অমসুং লম্বীগী প্রোজেক্টশিংগী উরেপ উয়ুং তমখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা প্রধান মন্ত্রিনা থোং অসিবু শিংথারদুনা হায়-ভারটিকেল লিফ সি-ব্রিজ অসি কুনশুবা চহিচাগী শিংথানিংঙাই ওইরবা চাউখৎলকপগী মচাক মথুমশিংগী মনুং চল্লগনি। অহানবা ওইনা অসিগুম্বা মখলগী থোং অসিবু শারিবা ইঞ্জিনিয়ারিংশিংবুসু প্রধান মন্ত্রিনা থাগৎপা ফোংদোকখি। অসিগুম্বা খোঙথাং অসিনা লৈঙাক অসিগী লল্লোন ইতিক অমসুং টুরিজমগী লমদা চাউনা কান্নবা পীবতা নত্তনা নহারোল কয়াদা থবক পীবা ঙল্লগনি। ঐতিহাসিক ওইরবা রামেশ্বরম মন্দিরদা লাই খুরুম্বগা লোয়ননা প্রোজেক্ট অসি মীয়ামদা রামনবমিগী খুদোল ওইনা শিন্নবা ঙম্বদা শ্রী মোদিনা অপেনবসু ফোংদোকখি।

**রাস্ত্রপতি** ঃ রাস্ত্রপতি-দ্রৌপদি মুরমুগী পোর্টুগল অমসুং স্লোভেকিয়াগী খোঙচৎ ঙসিদগী হৌখ্রে। শ্রীমতি মুরমুগী খোঙচৎ অসিগী মনুংদা প্রোটুগলগী রাস্ত্রপতি-মারসেলো রেবেলো দি সৌসাগা উন্নদুনা লৈবাক অনিগী মরক্তা মীহুৎ কাংবুগী

থাক্তা ৱারী শান্নরক্কনি।

মহাকা লৈবাক অদুগী প্রধান মন্ত্রি-লুইস মোনটেনগ্রোগসু উন্নগনি। লৈবাক অদুগী নেসনেল এসেমব্লিগী প্রসিদেন্ট-জোরস পেদ্রো আগুইয়র ব্রানকোগসু শ্রীমতি মুরমুগা উন্নদুনা ৱারী শান্নরক্কনি। মদুগী তুংদা, স্লোভেকিয়াদা চৎতুনা লৈবাক অদুগী রাস্ত্রপতি-পেটর পেলেগ্রীনি অমসুং প্রধান মন্ত্রি-রোবার্ট ফিকোগা উন্নদুনা লৈবাক অনিগী মরক্তা লম কয়াগী মতাংদা ৱারী শান্নগনি।

**রাম নবমি ঃ**ভগবান শ্রীরামগী মপোক নুমিৎ-রাম নবমি ঙসি লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা ধর্ম্মগী ওইবা চৎনবী অমদি হরাউ তয়ান্বগা লোয়ননা পাঙথোক্লি।

ভগবান বিষ্ণুগী ৭ শুবা মপোক ওইরিবা ভগবান রামগী মপোক নুমিৎ অসি চৈত্র থাগী ৯ নি পানবা নুমিৎতা পাঙথোকই।

রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমু অমদি প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি য়াওনা লুচিংবা কয়ানা নুমিৎ অসিগা মরী লৈননা মীয়ামদা য়াইফ পাউজেল পীরি।

সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎপা ৱারোল অমদা, রাষ্ট্রপতিনা কুম্মৈ অসিবু ধর্ম্ম, অচুম্বা অমদি ইশানা তৌগদবা থৌদাংবু নিংথিনা উৎথোকপা কুম্মৈ অমনি হায়না শিংথারি।

প্রধান মন্ত্রিনা রাম নবমিগা মরী লৈননা সোসিয়েস মিদিয়াগী খুথাংদা পীবা মহাক্কী পাউজেলদা হায়- ভগবান শ্রীরামগী থৌজাল ঐখোয় পুমমক্তা মতম চুপ্পগী ওইনা লৈগনি অমসুং ঐখোয়বু লমজিংবীগনি।

**মরাথোন (এল)ঃ** এঠলেটিক এসোসিয়েসন ওফ মনিপুরগী মখাদা সোরোকখাইব ব্রজাবিধু, পৌরাবি অমসুং ৱাহেংবম মুহিন্দ্রো- সেক্তা মেমোরিএল ত্রষ্টনা শিনদুনা ঙসি বি.এম. ক্রোস কন্ত্রি রেজ-২০২৫ পাঙথোকখ্রে।

নুপামচাগী ওপন কেটেগোরিদা ৱাইতোন মমাংদগী য়ুমাম অরজিৎ মীতৈনা অহানবা, থিৱা সেনাপতিদগী-থোদঙা চৈরোন হুনফুননা অনিশুবা অমসুং ঐচ.ৱাই.সি. হাউরৈবীগী মুতুম মুক্তা সিংহনা অহুমশুবা তাখি।

**ক্রিকেট (এল)ঃ** অহানবা এম.এন.সি.এ. ৱিমেন্স অন্দর টৌইন্তি থ্রি ৱান ডে ট্রোফি ২০২৪-২৫ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা ফোর্স ক্ষেত্রিগাউনা সেদো থাংমৈবন্দবু রন-১৮ দা, ৱাই.পি.ঐচ. য়ু.সি. লালাবুংনা এ.এল.অমিন লিলোংবু ৱিকেট তরেৎতা থোইখ্রে।

**ফুটবোল(এল)ঃ** লৈতোংবম সরদ সিংহ মেমোরিএল ফার্ষ্ট ৱিমেন্স ফুটসাল ইন্টর ক্লব চেম্পিয়নসিপ ২০২৫-২৬ কী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা য়ুথ ৱেলফিয়ার ক্লবনা মনিপুর য়ুনাইটেদ এফ.এবু পাঞ্জল ৮-২ দা, এফ.সি. ইম্ফালনা মনিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লবপু পাঞ্জল ১৫-৮ দা অমদি দা য়ঙ ৱেলফিয়ার ক্লবনা ইষ্টর্ন স্পোর্টিং য়ুনিয়নবু পাঞ্জল ১২-৪ দা থোইখ্রে।

**ফুটবোল(এল)ঃ** ১৭ শুবা মনিপুর ষ্টেট লিগ ২০২৪-২৫ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা-দা এঠলেটিক্স ফুটবোল ক্লবনা নেরোকা এফ.সিবু পাঞ্জল ৭-১ দা থোইখ্রে।

**ফুটবোল(এল)ঃ** অহানবা শামুরৌ চিংগোং ট্রোফি ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২৫ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা-পান্থোইবী এফ.সিনা পুপু এফ.সি. পুংদোংবমবু পাঞ্জল ৩-২ দা থোইখ্রে।

**ফুটবোলঃ** মঙাশুবা ষ্টেট লেবেল ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২৫ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা ৱাংখেম এফ.সিনা এম.পি.এ. থৌনাওজমবু পাঞ্জল ৪-২ দা

থোইখ্রে অমদি অতোপ্পা মেটচ অমদা এল.এম.এল.সি.সি. লাংমৈদোংনা এন.এস.সি. তেজপুরবু পাঞ্জল ৪-১ দা থোইখ্রে।

**ক্রিকেট (এল)ঃ** অনিশুবা খোমদ্রাম ওংবী হিজম মেমা দেবী মেমোরিএল টি-টোইন্তি মনিপুর ভেটরান ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০২৫ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা-ৱাই.সি.সি. ৱাংখৈনা এল.সি.সি. লমশাংবু ৱিকেট তরুক্তা থোইখ্রে।